# ইন্দিয়াগী ওইনা নুপী জুদো শান্নরোয় কয়া লেপ্তুনা পুথোক্লিবসিদি মণিপুর ষ্টেটনি : ওইনাম রাশেশ্বরী



ওইনাম রাশেশ্বরী
ইন্টরনেসনল জুদোকা



মণিপুরী মচাশিংগা খ্বাইদগী চান্নবা গেমশিংগী মনুংদা জুদো অসিসু অমনি। ইন্দিয়াগী ওইনা লমদমসিগী শান্নরোয়শিংনা থোইদোক্লা মাঙজিল থাবা ঙম্লিবা মশান্নশিংদি ৱেটলিফটিং, বোক্সিং, হোকি, জুদো পনবা য়াই। মশামক ইন্টরনেসনল এরেনা য়ৌনা শান্নরম্লগা হৌজিক্লা কোচ অমগী থাক্তা লাক্লিবী চহী নৌরিবী মীওই অমা ঙসিগী কলমসিদা লৌখৎচরি। হৌজিক হৌজিক বেঙ্গলোরগী জে এস দব্লিয়ুসী ইন্সপয়র ইন্সটিট্যুট ওফ স্পোর্টসতা নুপীগী জুদো কোচ ওইনা থৌপুরিবী ওইনাম রাশেশ্বরী চনুগা উনজরুবগী পাউদম পীজরি।

কুমজা ১৯৮৮গী মে থাদা লংথবাল কুঞ্জ মখা লৈকায়দা লৈবা ওইনাম ইরাবত মৈতৈ অমদি ওইনাম ওংবী সুবদনি লৈমগী মচানুপী ওইনা ওইনাম রাশেশ্বরী চনু তাইবঙদা খোঙদারকখি। জুদো শান্নরোয় অমা ওইনা রাশেশ্বরী চনুনা লম্বীসিদা করম্ন া চঙশিল্লকখিবগে হায়বগী মতাংদা অসুম্না পাউদমবীরকখি-

ঐনা অহানবা শান্নবা হৌজরকখিবসি কাঞ্চিপুরদা লৈবা অমকাগী হোলদা ওজা সনাতোম্বা অমদি ওজা বীনাগী মখাদনি। ওজা অনীসিগী মখাদা জুদো করম্না শান্নগদগে হায়বসি খঙজরকখি।

## রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
## জুদোদা মীৎয়েং অমা

কুমজা ২০০০দগীদি ঐহাক সাইগী সেলেক্সন ফংবা ঙমদনা খুমন লম্পাক্তা লৈবা এস এ জি সেন্তরদা লৈজরকখি। সাইদা হেক লাকপদগীদি সাইগী কোচ ওজা সাবিত্রিগী মখাদা ত্রেনিং ফংজরকখি। এস এ জি সাই সেন্তরদা ঐহাক কুমজা ২০০০দগীনা ২০০৭ ফাওবা লৈজরম্মী। মখা তারকপা কুমজা ২০০৮দগীনা ২০১৩ ফাওবনা পাটিয়ালাগী এক্সলেন্সিদা লৈদুনা মখা তানা শান্নজরকখি।

ঐহাক্না জুদো শান্নজরম্বগী ৱারী হায়জরগদি কুমজা ২০০০দা ঐহাক সব জুনিয়রদা নেসনল ফংদুনা শান্নবা হৌজরকখি। ঐগী অহানবা খোঙচৎসিনা কেরলাদনি। অদুদগী সব জুনিয়রদা সনাগী মেদল অনী লৌরবা মতুংদগীদি জুনিয়র কাখৎলো হায়দুনা কাজরকখি। ঐগী ইহান হানবা সব জুনিয়রগী ৱেট কাঙলূপসিনা কিলোগ্রাম ৪০নি।

জুনিয়র কারকপদগী ঐহাক কিলোগ্রাম ৪৪গী কাঙলূপ্তা শান্নজরকখি। জুনিয়রদা কারকপা মতমদুদা জুদোগী মশক নাইবী মণিপুরগী ইচেশিং ময়াম অমসু অদুম লৈরম্মী। কিলোগ্রাম ৪৪দা শান্নবা মতমদুদা ইন্দিয়াগী ওইনা ইন্টরনেসনল নম্বর ৱানসিফাওবা ঐহাক্না থোম্বা অদুম ঙমজখি। কুমজা ২০০৩, ২০০৪, ২০০৫গী মতমদা ঐহাক বেষ্ট লেভেলদা গোল্ড মেদল লৌজরকখি। মসিগী মখা তারকপদা ঐহাক সেনিয়র লেভেলগী থাক য়ৌজরকখি। মুম্বাইদা কুমজা ২০০৫-০৬কী ফেব্রুৱারী ২৪দগী ২৬ ফাওবা চথখিবা সেনিয়র নেসনল জুদো চেম্পিয়নশিপ্তা ঐহাক ব্রোঞ্জ মেদল লৌজরকখি।

জুনিয়রদগী সেনিয়র কারকপসিদসু সেনিয়রদা ফজ-ফজবা ইচে ময়াম অমসু লৈরম্মী। ইচে তোম্বী, বেমবেম হোয়গসু পারগা শান্নজরকখি। সেনিয়র নেসনলদা ইচেশিংগা লম্বা তৌদুনা শান্নবদু ফাইনেলদা হেক্তা লৈহৌই। এক্সপরিএন্সতা মখোয়না য়াম্না হেনবনিনা ইরায় লায়না অদুম থাখি। অদুবু ইচে তোম্বীগা ঐগদি কিলোগ্রাম ৪৮গী কেটেগোরিদা এসিয়ন গেমসকী ত্রায়ল পীমিন্নবসু য়াওখি। অদুগা জুদো শান্নরোয় অমা ওইনা ঙসি ফাওবা শান্নজরকপদা ময়াং মচা অমত্তনা থাবা ঙমখিদে। ঐবু থাখিবসিদি মণিপুরগী সেনিয়র ইচেশিংনা ঙাক্তনি। সেনিয়র নেসনলগী কম্পিটিসন্দা ঐখোয় মৈতৈ মচা মরি মঙা অদুম লম্বা তৌদুনা শান্নে। মসিমদি কম্পলসরিনি। নেসনলদা থেংনরিবসি ঐখোয় মশেল ঙাক্তনি।

ঐখোয় মঙা তরুক্কী মনুংসিদগী গোল্ড, সিলভর, ব্রোঞ্জ অদুম মুন্নগদোইনি। ঐনা শান্নজরিবা ৱেট কেটেগোরি ৪৮ অসিদদি ইচে তোম্বীনা অদুম লৌখি। মসিগী মখা চথরকপদদি ঐহাক কে জি ৫২দা অমুক কারকখি। মদুদসু মমিং লৈরবা মণিপুরগী জুদোকাশিং ইচে অঙোম অনিতা চনু, কলপনাহোয় লৈরম্মী। কিলোগ্রাম ৫২দসু ইচে অনিতানে, কল্পনানে, ঐনে ঐখোয় অহুমসি গোল্ড, সিলভর, ব্রোঞ্জসি মুন্নরকখি। ঐখোয় অহুমসি সিলভর লৌবা, অমনা অমুক ব্রোঞ্জ লৌবা তৌদুনা সেনিয়র নেসনলগী কেজি ৫২দা রোটেসন তৌরগা ফংনরকখি। অদুনা ৱেট কাঙলূপসি ঐখোয় অহুমসি অকনবা লম্বা ওইরকখি।

অদুগা, ঐগী য়াম্না লাইবক থীবনা ইন্টরনেসনলগী থাকসিদদি নাতৈ চাদবা ঙাক্তা থেংনজরকখি। জুনিয়র থাক্তা লৈজরিঙৈদসু ঐহাক ইন্টরনেসনলগী সেলেক্সন্দি অদুম ফংজে। অদুবু অদুগুম্বা চহীদুদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা থাবীদবা হেক্তা ওইরকখি। জুদোকা মরক্তগী খ্বাইদগী লাইবক থীবসি ঐনি। অদুনা ওজাশিং, ঐগী মরুপ মপাংশিংনা ঐবু হেক হেক লক্লে।

প্রেক্টিশতনা হিরো, কম্পিটিসন্দনা জিরো হায়দুনা অদুম ময়ামগী লক্ল ফমসু ওইরকখি। প্রেক্টিশ কন্না কন্না তৌরগা ইন্টরনেসনল চৎলমদাইদা কেন্সেল হেক্তা তৌরকপা, ভিজাগুম্বা ফংদবা অদুগুম্বা মখলগী প্লেয়র ওইরকখি। অদুনা জুনিয়রদা লৈজরিঙৈদা ইন্টরনেসনল শান্নবা ফংলকখিদে। লাষ্টতা সেনিয়রদবুদি ইন্টরনেসনল শান্নজরকখি।

-মথং-মথং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮৪

১। মণিপুরগী করম্বা মফমদা গ্রাসকোর্টকী টেনিস কোর্ট শেমদুনা টেনিস শান্নরম্বগে?

২। ব্রাজিলগী পেলেনা য়ুনাইটেদ কিংদমদা ওফিসিএলগী ওইবা থৌরম অমা চৎপদা মহারানি ইলিজাবেথ অনীশুবনা মঙোন্দা ইংলিস ক্লব অমদা ফুটবোল শান্নবা য়াওহন্নীংই হায়খি। করম্বা ইংলিস ক্লবতা মহারানিনা মহাকপু য়াওহন্নীংই হায়খিবনো?

৩। ইন্দিয়ানা হেক নীংতম্বা চহীদগী কুমজা ১৯৫৪ ফাওবা মণিপুরদা পাঙথোকখিবা খ্বাইদগী চাউবা শান্নবগী কুম্মৈ অদু করম্বনো?

৪। কুমজা ১৯৯৬তা অটলান্টদা পাঙথোকখিবা ওলিম্পিক গেমসতা মহাক চহী ৯৮ শুখ্রে। মহাক ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবা নুপানি অমদি ওলিম্পিয়ানশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী শাংনা চহী ১০০ হেন্না পুন্সিখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, থাংজ নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা অখন্নবা ফুটবোলগী ফুরিৎ অমা ফিফাগী প্রসিদেন্টনা খুদোল তমখ্রে

বিনোস আইরেস, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ নভেম্বর ৩০ অমসুং দিসেম্বর ১দা অর্জেন্টিনানা য়ূম্বু ওইদুনা পাঙথোকপা ১৩রকশুবা গ্রুপ ওফ ২০গী ১৩রকশুবা সমিত য়াওবা চৎখিবা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরদা মালেমগী খ্বায়দগী চাউবা ফুটবোলগী লূপ ওইরিবা ফিফাগী প্রসিদেন্ট গিয়ানি ইনফানিটনোনা অখন্নবা ফুটবোলগী ফুরিৎ অমা খুদোল তমখ্রে।

হিগোক মচুগী ফুরিৎ অদুদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগী মমিং থাখি। খুদোল পীবগী তাঞ্জা অদু জি-২০ সমিত ঙরাং লোয়শিনখিবা অদুগী মতুংদা পীখিবনি হায়না মেদিনা মহাক্কী ত্বিটর একাউন্টতগী মীয়ামদা খঙহল্লকপনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা ফোংদোকখিবদা অর্জেন্টিনাদা লাক্লগা ফুটবোলগী ৱারী নীংশিংদবা ঙমদে। অর্জেন্টিনাগী শান্নরোয়শিং ইন্দিয়াদা মীয়াম্না য়াম্না পামনৈ। বিনোস আইরেসতা শগোলশেল নুমিত্তা পাঙথোকখিবা যোগ ফোর পিছ থৌরমদা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা অর্জেন্টিনা অমসুং ইন্দিয়া লৈবাক অনীনা মরক্তা লৈনরিবা মরী অদু ফুটবোলনা করম্না হেনগৎহনবগে হায়বদু ফোঙদোকখি।

অর্জেন্টিনানা ইন্দিয়াগী ফিলোসোফি, আর্ট, ম্যুজিক অমসুং জগোয়দা পুক্নিং চংলিবা অদুগুম্না ইন্দিয়ানা অর্জেন্টনাগী ফুটবোল শান্নরোয়শিং পামজবা মীওই লাক্ষ কয়া লৈ হায়খি। মোদিনা মখা তারদুনা মমিং লৈরবা ফুটবোল শান্নরোয় মরাদোনা ইন্দিয়াগী য়ূমথোং খুদিংনা শোন্নবা ফুটবোল শান্নরোয় অমনি।

মালেমগী ফুটবোলগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা লূপ ওইরিবা ফিফানা ইন্টর্নেসনল ফুটবোল টুর্নামেন্ট কয়া শীনবদা অচৌবা



থৌদাং কয়া লৌরিবা অদুগীদমক থাগৎপা ফোংদোকখি। জি-২০ সমিট অদুদা শরুক য়াখিবা লৈবাকশিং অদুদিঃ য়ূ এস এ, রসিয়া, ইন্দিয়া, ইটালি, ইন্দোনেসিয়া, জপান, চাইনা, মেক্সিকো, কনাদা, য়ূনাইটেদ কিংদম, সাউথ কেরিয়া, টর্কি, সাউথ অফ্রিকা, সাইদি অরাবিয়া, জর্মনি, ফ্রান্স, ব্রাজিল, ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং অর্জেন্টিনানি।

## য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০গী ক্কালিফাইংগী গ্রুপ লাউথোকখ্রে

দব্লিন, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ ২০২০দা শরুক য়াননবা টিম খনবগী ক্কালিফাইং টুর্নামেন্টকী গ্রুপ লাউথোকখ্রে। টাইটল ৩লক লৌবা ঙমখ্রবা জর্মনি নেদরলেন্দসকা লোয়ননা গ্রুপ 'সি'দা লৈমিন্নখ্রে।

রিপব্লিক ওফ অয়রলেন্দগী কোনুং দব্লিনদা ঙসি পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল টুর্নামেন্ট মীয়াম্না শম্না য়ুরো টুর্নামেন্ট হায়না খঙনরিবা অসিগী কুমজা ২০২০দা পাঙথোক্কদবা ফাইনেল অদুদা শরুক য়াগদবা টিমশিং খন্ননবা ক্কালিফাইং টুর্নামেন্ট অসি গ্রুপ ১০ থোক্লা খায়দোক্তুনা পূন্না য়ুরোককী লৈবাক ৫৫না শরুক য়াদুনা সিটি ১২দা শান্নগদৌরি।

অহানবা ওইনা য়ুরোপিয়ন ফুটবোল চেম্পিয়নশিপ অসিগী ফাইনেল অসি য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা সিটিদা পাঙথোক্কদৌরিবনি। চহী ৪/৪ লৈরগা পাঙথোকপা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৬লকশুবা ইদিসননি। কুমজা ২০১৬তা পাঙথোকখিবা অদুগী টাইটল অদু পোর্টুগল লৌবা ঙমখি।

তোঙান-তোঙানবা গ্রুপ ১০ লম্বা তৌগদৌরিবা টিমশিং অদুদি, **গ্রুপ 'এ'**- ইংলেন্দ, জেক রিপব্লিক, বলগেরিয়া, মোন্টেনেগ্রো অমসুং কোসোভোনি। **গ্রুপ 'বি'**- মমাংগী চেম্পিয়ন পোর্টুগল, য়ুক্রেন, সর্ভিয়া, লিথুৱানিয়া অমসুং লুসেমবর্গনি। **গ্রুপ 'সি'**- নেদরলেন্দস, জর্মনি, নোর্দন আয়রলেন্দ, ইষ্টোনিয়া অমসুং বেলারসনি। **গ্রুপ 'দি'**- স্বিজর্লেন্দ, দেনমার্ক, রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দ, জিওর্জিয়া অমসুং গিব্রাল্টরনি। **গ্রুপ 'ঈ'**-ক্রোসিয়া, ৱেলস, স্লোভাকিয়া, হঙ্গেরি অমসুং অজরবাইজাননি।





**গ্রুপ 'এফ'**-স্পেন, স্বিদেন, নোর্ৱে, রোমানিয়া, ফারো আইলেন্দস অমসুং লাটভিয়ানি। **গ্রুপ 'জি'**-পোলেন্দ, ওষ্ট্রিয়া, ইজরেল, স্লোভেনিয়া, এফ ৱাই আর মেসিদোনিয়া অমসুং লাটভিয়ানি। **গ্রুপ 'ঐচ'**-ফ্রান্স, আইসলেন্দ, টর্কি, অলবেনিয়া, মোলদোভা অমসুং এন্দোরানি।

**গ্রুপ 'আই'**-বেলজিয়ম, রসিয়া, স্কোটলেন্দ, সাইপ্রস, কজাক্সটান অমসুং সান মারিনোনি। **গ্রুপ 'জে'**-ইটালি, বোসনিয়া এন্দ হর্জিগোবিনা, ফিনলেন্দ, অর্মেনিয়া অমসুং লৈকটেনষ্টিননি। গ্রুপ অমদগী মকোক থোংবা টিম অমদি অনীশুবা টিম ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইরদনি। অদুগা খ্বায়দগী ফজবা অহুমশুবা পোজিসন তাবা টিম ৪ খল্লগা য়ুরো ২০২০গী ফাইনেল শান্নগদৌরিবনি।

কুমজা ২০২০দা য়ুরোপকী লৈবাক ১২না পূন্না শরুক য়ামিন্নদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী সেমিফাইনেল মেচ অনী অমসুং ফাইনেল মেচ অদুদি ইংলেন্দনগী কোনুং লন্দনদা লৈবা মীওই ৯০,০০০ য়েংবা য়াবা ৱেমব্লে ষ্টদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরি।

## হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ্তা য়ূম্বু ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম ২-২দা দ্রো চৎখ্রে, কনাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাসু দ্রো চৎখ্রে

ভুবনেশ্বর, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ মমাং থাগী ২৮দগী ইন্দিয়ানা য়ূম্বু ওইদুনা ওরিষা ষ্টেটকী কোনুং ভুবনেশ্বরদা লৈবা কলিঙ্গা হোকি ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা পূল 'সি'গী মেচ অনীশুবা মেচতা ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম অকনবা লম্বা তৌনরবা মতুং পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা গ্রুপ অসিগী মেচ অমদা কনাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকাসু পাঞ্জল ১-১দা দ্রো শান্নখ্রে।

ঙসি হোকি মেন্স ৱর্ল্ড কপ অসিগী ৯শুবা মেচ ওইনা কনাদা অমসুং সাউথ অফ্রিকানা শান্নখি। টিম অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নবা মওংদা শান্নদুনা অহানবা হাফতা লৈখিবা মিনট ১৫/১৫গী ক্কার্টর অনীদা মায়কৈদ অনীম্মক্তগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অহানবা হাফ লোয়শিনখ্রবা মতুং অনীশুবা হাফকী অহানবা মিনট ১৫গী শান্নখিবা মেচকী ৩শুবা ক্কার্টর অদুদা বোল হেন্না পায়দুনা সাউথ অফ্রিকানা এটেক্ট হেঞ্জিল্লকখি।

ক্কার্টর অদুগী লোয়রমদাই মিনট ২খক ঙাইরবা মতমদা সাউথ অফ্রিকাগী নোবাইল টুলিনা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা কনাদাবু ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। অদুবু কনাদাগী অথুবা মতমদা চথরকখিবা এটেক্ট অমদা বোল অদু সাউথ অফ্রিকাগী পেনাল্টি এরিয়া য়ৌশিল্লকখি। বোল অদু থিংনবা হোৎনবদা সাউথ অফ্রিকাগী দিফেন্দর অমনা কাংলোন ৱাংমা লান্না বোল মুন্নবা হোৎনরুবগীদমক রেফরিনা পেনাল্টি ষ্ট্রোক অমা কনাদাদা পীখি। খুদোংচাবা অদু কনাদাগী কেপ্তেন স্কোট টপ্পরনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচী ৪৫শুবা মিনটতা টিম অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি। মখাতারকপা মিনট ১৫গী অরোইবা ক্কার্টর অদুদা মায়কৈ অনীমক্তগী অহেনবা পাঞ্জল চনবা ঙম্লখিদবদগী পোন্ট অমমম য়েন্নরগা লোয়শিনখি।



১০শুবা মেচ ওইনা য়ূম্বু ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম শান্নখি। নীংশিংবা য়াই মালেমগী নুপাগী হোকি শান্নবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মকোক মথং তাবগী পরিংদা ৩শুবা লৈরিবা বেলজিয়ম অমদি ৫শুবদা লৈরিবা ইন্দিয়াগা লম্বা তৌরকপনি।

মেচ অদু হৌরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিং খোংজেল খর তপ্না শান্নরকখি। মদুগী খুদোংচাবা লৌদুনা বেলজিয়মনা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংদগী বোল হেন্না পায়দুনা শান্নবা ঙমখি। টিম অদুগী শান্নরোয়শিংনা ইন্দিয়াগী গোল অদুবু কয়ারক হন্না এটেক্ট চথবা ঙমখি। অদুবু ইন্দিয়াগী দিফেন্দর অমদি গোলকিপর অদুনা এটেক্টশিং অদু মায়পাকহনবা ঙমহনখিদে। চথরকখিবা এটেক্টশিংগী মনুংদা শান্নবগী ৮শুবা মিনটতা পেনাল্টি কোর্নর অমগী মতেংনা অলেকজেন্দর হেনদ্রিকনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্কোর বোর্দতা বেলজিয়মগী অহানবা পাঞ্জল অদু লৈখি।

অহানবা ক্কার্টর অদু লোয়রমদাইদা ইন্দিয়াগী মন্দিপ সিংহনা মঙোনদা দিলপ্রিট সিংহনা খায়রকখিবা বোল অমা পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমখিদে। ক্কার্টর অদু লোয়শিনখ্রবা মতুং অনীশুবা ক্কার্টর অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী শোৎখিবা পাঞ্জল অদু হন্দাক্লবা য়াম্না কন্না হোৎনখি। অহানবা হাফ অদু লোয়গদবা মিনট ২দা ঙাইরবা মতমদা বেলজিয়মগী টোম বুননা দিফ্লেক তৌশিল্লকখিবা বোল অমা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্টতা পান্দুনা পাঞ্জল ওইহৌখিদে।

অনীশুবা হাফ শান্নরকখি। ৱর্ল্ড কপ অসিগী মকোক ওইগনি হায়বগী অচৌবা ৱাখল্লোন অমগা লোয়ননা শরুক য়ারকখিবা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংগী খোংজেল থুগৎলকখি। শান্নবগী ৩৯শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী পেনাল্টি কোর্নর অমদগী পেনাল্টি ষ্ট্রোক ওইখিবদগী হর্মনপ্রিট সিংহনা মেচ অদুগী ইক্কেলাইজর অদু চনবা ঙমখি। মেচকী অহুমশুবা ক্কার্টর অদু টিম অনীম্মক পাঞ্জল ১-১দা লৈনখি।

মেচ অদুগী অরোইবা অমদি মরীশুবা ক্কার্টর অদুদা ইন্দিয়ানা বেলজিয়মবু পাঙ্গল হেন্না লৈরক্তুনা এটেক্ট চথবগী চাং ৱাংখৎলকখি। মদুগী কান্নবা অদু শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ফিল্ড গোল অমা চন্দুনা বেলজিয়মবু পাঞ্জল ২-১দা হেন্দুনা লৈখি। কলিঙ্গা হোকি ষ্টদিয়মদা তিনখিবা মীয়াম্না হরাওবগী মখোয় চাং ৱাংখৎলকখি। পাঞ্জল অমা শোৎখরবা বেলজিয়মনা মেচ অদু মায়থীদনবা মেচ অদু লোয়গদবা মিনট ৫ ফজিল্লক্ত্রবদা গোলকিপর লৌথোক্লগা অহেনবা শান্নরোয় হাপচিন্দুনা ইক্কেলাইজর অদু থিরকপদা শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা সাইমন গোগনার্দনা ইন্দিয়াগী গোলকিপর স্রিজেসকী মক্রাংদা বোল অদু য়ৈশিনবা ঙমদুনা মেচ অদু পাঞ্জল ২-২দা দ্রো চৎখি। মেচ অনী শান্নবা লোয়শিনখিবদা ইন্দিয়া অমসুং বেলজিয়ম পোইন্ট ৪/৪ ফংদুনা লৈরি অদুবু গোল দিফরেন্সতা ইন্দিয়ানা হেন্দুনা পূল 'সি'দা ইন্দিয়ানা মকোক ওইরগা বেলজিয়মনা অনীশুবদা লৈরি।

## মণিপুরগী নেরোকা এফ সিনা মেঘালায়াগী শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ২-১দা থোইখ্রে

শিল্লোং, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ ঙসি মেঘালায়াগী কোনুং শিল্লোংদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরূ ষ্টেদিয়মদা ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা ফুটবোল ক্লবশিংগী ওইবা অনীশুবা খাক্তা লৈরিবা হিরো আই লীগ ফুটোল টুর্নামেন্টকী ৬শুবা রাউন্দগী মেচ অমদা য়ূম্বু ওইখিবা শিল্লোং লাজোং ফুটবোল ক্লবপু মণিপুরগী ক্লব নেরোকা এফ সিনা পাঞ্জল ২-১ থোইদুনা য়াম্না মরু ওইবা মেচ অমা মায়পাকপা ঙমখ্রে।

ঙসিগী মেচ অসিগী মাংওইননা শিল্লোং লাজোংগী টিম মেচ ৬ শান্নখিবদা মেচ অমখক মায়পাক্লগা অমা দ্রো চৎলবা মতুং মেচ ৪ মায়থীবা নংদুনা পূন্না পোইন্ট ৪খক ফংলগা টিম ১১না শরুক য়ারিবা লীগ টুর্নামেন্ট অদুদা ১০শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি। নাকল অমরোমদা নেরোকাগী টিম মেচ ৫ শান্নখিবদা অমা মায়পাক্লগা অনী মায়থীখিবা অমসুং ২ দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৫ ফংলগা ৮-শুবা পোজিসনদা লৈরম্বনি।

টিম অনীমক্না লীগ টুর্নামেন্ট অসিগী মখাতারকপদা পোইন্ট মপূং ফংদুনা পোজিসন হায়গৎনবা হোৎনরকখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফ অদুদা টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নদনা লৈরম্বা অদু শান্নবগী ৩৩শুবা মিনটতা নেরোকাগী মালেমঙাননবনা পীরকখিবা বোল অমা টিমমেট ওদিলি ফেলিক্স চিদিনা শিল্লোং লাজোংগী পেনাল্টি বোক্স



ময়ায়দগী গোল পোষ্টকী য়েৎথংবা কাচিন্দা কাউশিন্দুনা মেচকী অহানবা পাঞ্জ অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ নেরোকানা পাঞ্জল ১-০দা মাংজিল থাদুনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ শিল্লোং লাজোংনা পূশিল্লকপা বোল অমা নেরোকাগী দিফেন্দরশিং অদুবু লান্থোক্তুনা পেনাল্টি এরিয়াদা টিম অদুদা য়াওরিবা নাওরেম মহেশনা খায়রকপদা ফ্রাঙকি বেৱাম্না অশোয়বা য়াওদনা ইক্কেলাইজর অদু চন্দুনা টিম অনীম্মক ১-১দা লৈনখি। নেরোকাগী কোচ স্পেন মচা মেন্যুল রেটামেরোনা নাওরেম টোন্দোবাগী মহুৎ থাংজম সরননা শিনখি। শিল্লোং লাজোংগীসু কোচ এসিসন খার্টিয়ুনা মহাক্কী শান্নরোয় সম্যুল কিন্সিবু মণিপুর মচা বোনিসন নোংমাইথেমনা শিনখি।

বোল হেন্না পায়বা ঙমখিবা নেরোকাগী মায়কৈন্দগী কাটসুমি য়ূসানা খায়রকপা বোল অমা টিমমেট সিঙ্গাম সুভাসনা অশোয় অঙান য়াওহন্দনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মেচ অদুদা মখোয়না শিল্লোং লাজোংবু পাঞ্জল ২-১দা মাংজিল থাদুনা লৈখি। পাঞ্জল অমা শোৎখরবা শিল্লোং লাজোংগী মায়কৈন্দগী ফম্না কন্না হোৎনরবসু শান্নবগী লেমহৌবা মতম খর অদুদা নেরোকাগী দিফেন্দরশিংনা য়াম্না ফজনা শান্নবা ঙমখিবদগী মেচ অদু নেরোকানা ২-১দা থোইদুনা পোইন্ট ৩ ফংবা ঙমখিবদগী পোইন্ট টেবলদা হান্না পোইন্ট ৫ ফংলম্বা অদু ৮ ফংদুনা ৮শুবা পোজিসনদগী ৫শুবদা হায়গৎপা ঙমখি।

নেরোকানা মখোয়গী ৭শুবা মেচ অদু মখোয়গী হোম গ্রাউন্দ ইম্ফালগী খুমন লম্পাক মেন ষ্টদিয়মদা ইন্দিয়ন এরোজগা শান্নগনি। লীগ অসিগী ঙরাং শান্নখিবা মেচ অমদা লীগ অসিগী মকোক থোংলিবা চেন্নাই সিটিনা মোহন বগানগা শান্নখিবা অদুদা পাঞ্জল ১-১দা দ্রো চৎখি। অদুগা মিনর্ভা পঞ্জাব অমসুং ইন্দিয়ন এরোজগা শান্নখিবা মেচ অদুনা মিনর্ভা পঞ্জাবনা পাঞ্জল ১-০দা থোইখি।

## রঞ্জি ত্রোফি প্লেট ক্রিকেটতা মণিপুরবু মেঘালয়ানা ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে

কোলকটা, দিসেম্বর ০২ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংনা পূন্না শান্নবা রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপ্তা মণিপুরবু মেঘালয়ানা ৱিকেট ৯দা থোইখ্রে।

কোলকটাগী জাদপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসকী অনীশুবা শান্নবুংদা নবেম্বর ২৮দগী শান্নরকখিবা নুমিৎ মঙানিগী টেষ্ট মেচ অদুগী টোস মেঘালয়ানা ঙমদুনা বোল্লিং হান্না তৌখি। মদুদা মণিপুরগী মায়কৈদগী অহানবা ইন্নিংস শান্নরকপদা রন ২১১ লৌবা ঙমখি।

মদুগী পাউখুমদা মেঘালয়ানা মখোয়গী অহানবা ইন্নিংস শান্নখিবদা রন ৩২৬ লৌদুনা মণিপুরদগী মখোয়না রন ১১৫ মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

মণিপুরগী মায়কৈদগী অনীশুবা ইন্নিংস শান্নরকপদা কেপ্তেন য়াসপাল সিংহনা আউট ওইদনা রন ১০৩ লৌখিবা অদু নত্তনা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংনা রন ১০ লাম্থোকপা ঙমখিদবদগী মণিপুরগী অপূনবা স্কোর অদু ৩৮৩ লৈখি। মরম অদুনা মেচ অদু মায় পাক্নবা মেঘালয়াগী মায়কৈদগী মখোয়গী অনীশুবা ইন্নিংসতা শুপ্নগী রন ৫৮গী টার্গেট লৈখি।

টিম অদুগী মায়কৈদগী ওপনর রাস বিশ্বানা আউট ওইদনা রন ৪৪ লৌবা ঙমখি। মণিপুরগী টিম চথরিবা রঞ্জি ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী প্লেট গ্রুপ অসিদা পূন্না টিম ৯ শরুক য়াবদা ৭শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

নোর্থ ইষ্টকী ষ্টেট তরুক্কা লোয়ননা উত্তরখণ্ড, বিহার অমসুং পুদুচেরি প্লেট গ্রুপ অসিদা য়াওরি। মণিপুরনা ৫শুবা মেচ থা অসিগী ৬তগী ৯ ফাওবা দিমাপুরদা লৈবা নাগালেন্দ ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা নাগালেন্দগা শান্নরগনি।